# নেরোকা এফ সি ইন্দিয়ন এরোসকা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে, ত্রাও এফ সি আইজোল এফ সিগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীখ্রে




ইম্ফাল/আইজোল, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মণিপুরগী ক্লব নোরোকা এফ সিনা য়ুম্ফু ওইদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টদিয়মদা ইন্দিয়ন এরোসকা লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। অমরোমদা মিজোরামগী কোনুং আইজে ালদা লৈবা রাজিব গান্ধি ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্ফু ওইখিবা আইজোল এফ সিনা মণিপুরগী ক্লব ত্রাও এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, নেরোকা এফ সি অমসুং ত্রাও এফ সিনা থা অসিগী ৮দা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা নেরোকানা য়াম্না চাওনা ত্রাওবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা অনৌবা থৌনা অমগা লোয়নননা ঙসি নহা ওইরিবা টিম ইন্দিয়ন এরোসকা লম্বা তৌনখি।

নেরোকাগী মায়কৈদগী মায়পাক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবগা লোয়নননা ঙসিগী মেচ অদু শান্নবা হৌখি। অমরোমদা টিম ১১না লম্বা তৌনরিবা কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়ন এরোসনা মখোয়গী পোইন্ট ৭খক ফঙখিবা অদু হেনগৎনবা অকনবা লম্বা অমা নেরোকাগী মায়কৈদগী পীবা ঙমখি।

টিম অনীমক অমনা অমগী মায়কৈদা পুশিন্নখিবা বোলশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি। নেরোকা এফ সী মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ১১দা ৩ মায় পাকখিবা, ২ দ্রো চৎতুনা অমদি ৬ মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। মখোয়সু লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসিগী মেচ অদুদা মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ ফংলগা পোজিসন হায়গৎনবা শান্নরকখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মায় পাক্ক বা পাঞ্জল অদু ফংনবা হোৎনরকখি।



| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mohun Bagan | 11 | 8 | 2 | 1 | 21 | 9 | 12 | 26 |
| 2. | Punjab FC | 11 | 4 | 5 | 2 | 16 | 14 | 2 | 17 |
| 3. | Real Kashmir FC | 9 | 4 | 3 | 2 | 11 | 8 | 3 | 15 |
| 4. | TRAU | 12 | 4 | 3 | 5 | 12 | 20 | -8 | 15 |
| 5. | Chennai City FC | 10 | 4 | 2 | 4 | 14 | 16 | -2 | 14 |
| 6. | Aizawl FC | 11 | 3 | 5 | 3 | 13 | 13 | 0 | 14 |
| 7. | Gokulam Kerala FC | 10 | 4 | 2 | 4 | 13 | 13 | 0 | 14 |
| 8. | Churchill Brothers | 9 | 4 | 1 | 4 | 17 | 12 | 5 | 13 |
| 9. | NEROCA FC | 12 | 3 | 3 | 6 | 16 | 21 | -5 | 12 |
| 10. | Quess East Bengal | 10 | 3 | 2 | 5 | 12 | 12 | 0 | 11 |
| 11. | Indian Arrows | 11 | 2 | 2 | 7 | 5 | 12 | -7 | 8 |

শান্নগী মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা পোইন্ট অমমম য়েন্নরগা নেরোকা এফ সী ৯শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি। ইন্দিয়ন এরোস ১১শুবা পোজিসনদা লেংদনা লৈখি।

ঙসি আইজোলদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্ফু ওইখিবা আইজোল এফ সী অমসুং মণিপুরগী ট্রাও এফ সী লম্বা তৌনখি। আইজোলগী টিম মমাঙদা মেচ ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ১১ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ট্রাও এফ সী মেচ ১১দা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

নেরোকাগী মখুৎতা ০-৫দা য়াম্না শোত্থনা মায়থীখিবা অদুগী মতুং ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্কনবা শান্নরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখাই অমা চঙশিল্লকপা মতমদা ত্রাওগী দিফেন্দরশিংগী অশোইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা এল লাথালোভানা পীরকপা পাস অমদা জর্সি নম্বর ৯ এবদোলায়ে কনাওতেনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ত্রাওবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা ত্রাওগী এটেকশিং অরেম্বা তাখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা আইজেল এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এবদোলায়ে কনাওতেনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ২-০দা থোইদুনা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎখি।

# স্কোটিস ৱিমেন প্রেমিয়র লীগ শান্ননবা রেঞ্জর্স এফ সীগী ঙাঙোম বালা শেম শাবা লোইখ্রে



মিলিনগাবি, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী): স্কোটলেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্সকী নুপীগী টিমদা অহানবা এসিয়া মচা অমা ওইনা থা ১৮গী কনট্রেক্টতা শরুক য়ারীবী ইন্দিয়াগী অহানবা প্রোফেস্নেল লীগ শান্নরোয় অমা ওইরিবী মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা মহাক্কী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীনা স্কোটিস ৱিমেন প্রেমিয়র লীগ শান্ননবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা রেঞ্জর্স এফ সীগী ট্রেনিং গ্রাউন্দ ওইরিবা স্কোটলেনগী ইষ্ট দনবার্টোনসায়রদা লৈবা মিলগাবিগী দি হমেল ট্রেনিং সেন্টরদা মহাক্কী টিমমেটশিংগা প্রেক্টিস সেসন নোংমাইজিং নুমিৎতা চত্থখি। রেঞ্জর্স এফ সী ৱিমেন ফুটবোল টিম অসিনা প্রেমিয়র লীগ অসিগী হোম মেচশিং অদু হামেল ট্রেনিং সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। অনৌবা ট্রেনিং সেন্টর অসিদা হৌখিবা চহীদা নৌনা হাংদোকখিবা ষ্টেন অসিদা টিম অসিনা শান্নগদৌরিবনি।

ঙাঙোম বালানা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর অমগী থৌদাং লৌদুনা মগুন লৈরবা নম্বর ১০গী জর্সি লিৎতুনা প্রেক্টিস সেসন অদুদা টিমমেচটশিং অদুগী পুক্নিং হুনবা ঙমখি।

রেঞ্জর্স এফ সীনা স্কোটিস ৱিমেন প্রেমিয়র লীগকী গ্রুপ ষ্টেটজতা অতোপ্পা ক্লব ৩, হেমিলটন, দুন্দি য়ুনাইটেদ অমসুং ক্যুইন্স পার্ককা লম্বা তৌনগনি।

সেদ্যুলগী মতুং ইন্না ক্যুইন পার্ককা রেঞ্জর্স এফ সীনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু চথোক চৎশিন অমদি সিক্যুরিটিগী চীংনবা খরা লৈবদগী মেচ অদু য়ৈথোক্লগা মখা তাবা মতম লাউথোরক্কনি হায়রি।

১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# এন এ সী ও নম্বুল মপাল অমদি এস এস য়ু শগোলবন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নাকো নম্বুল মপালনা এ আই এম খাবমবু পাঞ্জল ২-১দা, এস এস য়ু শগোলবন্দনা এ এফ সী বু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

লীগ অসিগী ৬শুবা মেচতা এ আই এম খাবম অমসুং এন এ সী ও লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক মাংজিল থানা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না মখোয়গী একাউন্ট হাংনবগীদমক টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা এটেক চত্থনখি। পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু ওন্থোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা এন এ সী ওনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবদা মেচকী ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুগী পি অজাংপু কবুই জর্সি নম্বর ২১না পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট খরা কান্নরবা মতুং অজাংপু কবুইনা অমুক ৬৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা এ আই এমবু পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।



এ আই এমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা অকবা মওংদা এটেক চত্থরকপদা শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতর টিম অদুগী শান্নরোয় দেবিদ জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মখা তাবা মতমদা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙমদনা মেচ অসি এন এ সী ওনা এ আই এবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস এস য়ু শগোলবন্দ অমসুং এ এফ সী অথোকপম লম্বা তৌনখি। মদুদা এস এস য়ুনা এ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীমক্না অহানবা হাফতা হেনজিন্নবা ঙমদনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা এস এস য়ু শগোলবন্দগী টি ঐচ প্রেমজিৎ জর্সি নম্বর ৩না টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা এস এস য়ু শগোলবন্দগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ৪ হাপচিনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টি ঐচ প্রেমজিৎনা শান্নবগী ৫২, ৬২ অমদি ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ অদুগা দাংস্বা জর্সি নম্বর ৩৮না ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা এ এফ সীগী মায়কৈদগী এস থোমাস জর্সি নম্বর ৫ না ৭৫ অমদি ৮৪দা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

## ৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০' লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা টিম ৯না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাই এ এসকী রিটয়দ দিরেক্টর ভক্তরাজ, এম ভি সী এগী প্রসিদেন্ট ইন্দ্রজিৎ, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কনজার্বেসনগী এদিস্নেল দিরেক্টর ওইরম্বা চাওবা, এম সী এগী সেক্রেটরী প্রিয়ানন্দ, এম ভি সিএগী এদভাইজর বিদুর, ভাইস প্রসিদেন্ট মোহনদাস, ট্রেজরর রাজেন্দ্রো, এ জি মণিপুরগী ওদিট ওফিসার রোজিৎকুমার অমদি টি ঐচ জয় কুমারনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

৪১শুবা ষ্টেট লেভেল জিমনাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লবনা পুন্না পোইন্ট ১১৯ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা পাঙথোকপা '৪১শুবা জব জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র, অর্টিষ্টিক অমসুং এরোবিক ষ্টেট লেভেল জিমনাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০গী ঙসি লোইশিনখিবদা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা পুন্না পোইন্ট ১১৯ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট জিমনাষ্টিক এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা পোইন্ট ৬২ ফংলগা রন্নর্সঅপ তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১২ মখাগী নুপীমচাগী বেলেন্সিং বিম ইভেন্টতা ও বন্দনানা ফর্স্ত পোজিসন, টি ঐচ জেনিতানা সেকেন্দ পোজিসন, টি ঐচ বিদ্যানা থার্দ পোজিসন তাখি। চহী কাঙলুপ অসিগী নুপামচাগী ওল এরাউন্দ চেম্পিয়নশিপ্তা পিতর নাওরেমনা ফর্স্ত পোজিসন, কে নেলদিসনা সেকেন্দ পোজিসন, ঐচ প্রেমরাজনা থার্দ পোজিসন তাখি।

চহী১২ মখাগী নুপামচাগী পোমেল হোর্স ইভেন্টতা পিতর নাওরেমনা ফর্স্ত পোজিসন, কে নেলদিসনা সেকেন্দ পোজিসন, ঐচ প্রেমরাজনা থার্দ পোজিসন তাখি। চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী পেরলেল বার ইভেন্টতা পিতর নাওরেমনা ফর্স্ত পোজিসন, কে নেলদিসনা সেকেন্দ পোজিসন, ঐচ প্রেমরাজনা থার্দ পোজিসন তাখি।



চহী ১০ মখাগী নুপামচাগী ফ্লোর এক্স ইভেন্টতা এন দিপকনা ফর্স্ত পোজিসন, কে ঐচ ৱাংলেননা সেকেন্দ পোজিসন, দল্লীয়ু চীংখৈঙানবনা থার্দ পোজিসন তাখি। চহী ১৪ মখাগী ইনি দভিদ্যুল ওল এরাউন্দ চেম্পিয়ন ইভেন্টতা লক্ষমননা ফর্স্ত পোজিসন, অভিনাসনা সেকেন্দ পোজিসন অমদি উমাজিৎনা থার্দ পোজিসন তাখি।

নুপীমচাগী ঙসি শান্নখিবা ভোলটিং টেবল ইভেন্টতা জেসিকানা ফর্স্ত পোজিসন, টি ঐচ প্রতিভানা সেকেন্দ পোজিসন অমদি নিসাসোননা থার্দ পোজিসন তাখি। জুনিয়র গর্লসকী বেলন্সিং বিম ইভেন্টতা জেসিকানা ফর্স্ত পোজিসন, প্রতিভানা সেকেন্দ পোজিসন অমদি নিসানা থার্দ পোজিসন তাখি।

## খোঙজেল থুগৎপা পাসিং গেমগীদমক শেম শারি ঃ দেনর্বি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১১ (এজেন্সী): চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ইনিদয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবদা শান্নরোয়শিংগী মশান্না অদুদা পাসিং গেম অদু খোঙজেল থুগৎহন্ননবা হোৎনরি হায়না ইন্দিয়াগী টিম অসিগী হেদ কোচ থোমাস দেনর্বিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিগী মরক্তা হন্দক্তা টর্কিদা চৎতুনা রোমানিয়াগী চহী ১৭ মখাগী টিমগা ফ্রেন্দলি মেচ ২ শান্নখি। মদুদগী টিম অসিগী শান্নরোয়শিংনা হকচাংগী ফিভম হেন্না ৱাং চাওবশিংগা লম্বা তৌনবদা খঙবা য়াবা পারা কয়া খঙবা ঙল্লকখি।

কোচ দেনর্বিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিগী শান্নরোয় অমনা ফজবা মওংদা শান্নরকপা মতমদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংসু মহাককুম্না শান্ননিংবগী থৌনা পীরিবনি। পাস তৌবগী খোঙজেল থুগৎপগী চাংয়েং চত্থরি।

## ২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০

# টেলৌ এফ সীনা টোপ এফ সীবু ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ওক্সু নীংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ও এন ৱাই সী শান্নবুঙদা চত্থরিবা '২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচ অমদা টেলৌ এফ সীনা টোপ এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা টেলৌ এফ সী অমসুং টোপ এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টেলৌ এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। টিম অনীনা মেচ মায় পাক্নবা লম্বা তৌনরকখিবদা টেলৌ এফ সীনা টোপ এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা শান্তা এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি।

টেলৌ এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু রাকেস জর্সি নম্বর ১০না ২, নোবেল জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ২, ইবোতোম্বনা পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা টোপ এফ সীগী মায়কৈদগী অমজিৎনা চনখি।

পনবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমিফাইনেল মেচতা শান্তা এফ সী অমসুং সেক্তা-এ লম্বা তৌনখিবদা শান্তা এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা সেক্তা-এবু মায়থীবা পীখিবনি।

## ৮শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল ইনভাইটেস্নেল হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২০

# নুপীমচাগী য়ু-১৫দা এম এল ঐচ য়ু অমদি ৱাই সী সী আই সী (এ) ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১(ঐচএনএস): ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা শীন্দুনা ইবুধৌ মোইজিংগী শান্নবুঙদা নুপামচাগী টিম ১০ অমদি নুপীমচাগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা '৮শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল য়ু-১৫ বোইজ এন্দ য়ু-১৭ গর্লস ৭ এ-সাইদ হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী য়ু-১৫ সেমিফাইনেল মেচশিংদা এম এল ঐচ য়ু অমদি ৱাই সী সী আই সী (এ)না মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অহানবা সেমিফাইনেল মেচ ওইনা বি ঐচ অমদি এম এল ঐচ য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা বি ঐচ টিমগী একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি। এম এল ঐচ য়ুগী একাউন্ট নেলসন জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা বি ঐচ কী একাউন্ট বিদ্যাসাগর জর্সি নম্বর ১২না চনখি। এম এল ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী কে বিক্রম জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ২, কে ঐচ প্রিতম জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমা চনখি।

মেচ অসিগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা বি ঐচ টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙমখিদে। অদুগা এম এল ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী বিক্রম জর্সি নম্বর ৯, শ্যামসন জর্সি নম্বরনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা মেচ অসি এম এল ঐচ য়ুনা বি ঐচবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চংখি।

অনীশুবা সেমিফাইনেল মেচতা ৱাই সী সী আই সী-এ অমসুং কে ঐচ এস সী-এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই সী সী আই সী-এনা কে ঐচ এস সী-এবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ৱাই সী সী আই সীগী পাঞ্জলশিং অদু রতিষ্ট জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল ২, রিসি জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অনী, রোজিৎ জর্সি নম্বর ৯, অবিসনা জর্সি নম্বর ১৮, প্রিতম জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। কে ঐচ এস সী-এগী মায়কৈদনা হরিস জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল ২ চনখি।

# নেসনল ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিংগী ট্রয়লসেলেক্সনপাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): মার্চ ১৬তগী ২২ ফাওবা হরিয়ানাগী রোতক সিটিদা লৈবা নেসনল বোক্সিং একাদেমিদা খেলো ইন্দিয়াগী প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবালগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অনীগী বোক্সিং এসোসিএসনশিংনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ট্রায়ল সেলেক্সন অদু ফেব্রুৱারী ১৫গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি। অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগীনা খাঙবোক্তা লৈবা বাসু কমপ্লেক্সতা ফেব্রুৱারী ১৬গী অয়ুক পুং ৭তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।




HL-B/6019/4 feb-5march



Now Showing - Friends Talkies (Time : 11.00 a.m., 02:00 p.m. & 05:00 p.m.)
Now Showing - Shangeet Natak, Nambol (Time - 07 :00 p.m.)
Now Showing - Yairipok Hall (Time - 11:00 a.m, 02:00 p.m. & 06:00 p.m.)
HL-P/6152/8-22feb


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com